## ইমপ্লোয়ীশিংনা মাস কেজুয়েল লিভ লৌনবা শেম শাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): জে এ সি এমতুক অমদি এমজিওগী সেন্ট্রেল কমিটিগী মীফম অমা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা জে এ সিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা জুলাইগী ১ অমদি ২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংগী মাস কেজুয়েল লিভকী খোঙজং চথনবা শেম-শাবা লোয়রে হায়না জে এ সি এমতুক অমদি এমজিওগী সেক্রেটরি জেনরেল লাইতোঞ্জম বিকেননা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা জে এ সিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা লাইতোঞ্জম বিকেননা মখা তানা হায়খি, লৈঙাক্কী কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অদু রিভিয়ু তৌবীনবা হায়জবদা তৌবীদ্রি। জে এ সি, এমতুক অমদি এমজিও অসি তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ১০৫না পূল্লগা শেম্বনি, মসিদা লৱার গ্রেদ ফোরদগী পেন্সনর ফাওবা য়াওরিবনি। কুমজা ১৯৭৫তগী ওর্গনাইজেসন অসিনা থবক তৌদুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা ইমপ্লোয়ী অমগী ফংফম থোকপা হক অদু ষ্টেটনসু চপ চানা ফংহনবীয়ু হায়জবনি।

ইমপ্লোয়ীশিংনা ২০০৬ তগী বেজ ইয়ারদা চহী ১০/১০ লৈরগা পীবা সেন্ট্রেল সিক্স পে অদু হৌজিক ফাওবা হেনগৎতদুনা লৈরি। মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ফাইনান্স ভি ভুমলুনমাংনা হান্না থোকখিবা চে অদু মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফমনা চপ মান্ননা থোকখিবা চেরোল অদু হন্দোকপিয়ু হায়জবনি। লৈঙাক্লা কেবিনেত্তা লৌখিবা ৱারেপ অদু জে এ সিনা তাল্লিবা দিমান্দ অদু করিমত্তা য়াওরক্তবদগী ইমপ্লোইশিংনা মাস কেজুয়েল লিভকী খোংজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি হায়রি।

## ৱার্করস য়ুনিয়ন্না খুৎশুমল হেনগৎনবা খোঙজং চত্থগদবনি : জয় ভাগৱান

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলগী কুককশিংদনা থা অমদা মখোয়গী ওনেরেরিয়ম লুপা লিশিং ১০ দগী ১৪ ফাওবা পীবা য়াওনখ্রে। অদুগা মণিপুরদনা থা অমদা লুপা লিশিং অমা খক পীবা অসি মতমগা চান্নদ্রে। মরম অদুনা লমদমসিগী ৱার্করস য়ুনিয়ন্না মখোয়সু মতমগা চান্নবা মওংদা ওনেরেরিয়ম হেনগৎপীয়ু হায়দুনা খোঙজং চত্থগদবনি হায়না মিদ দে মিল ৱার্করস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি জয় ভাগৱাননা ফোঙদোকখ্রে।

ওল মণিপুর মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়নগী অহুমশুবা কনফরেন্স ঙসি ইম্ফালগী জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা জয় ভাগৱাননা মখা তানা হায়খি, মিদ দে মিল ৱার্করশিংনা ষ্ট্রগল কয়া চঙশিনখ্রে। অঙাংশিংবু শেমগদৌরিবা অসি মিদ দে মিল ৱার্কর অমদা থা অমদা লুপা ১০০০ পীরি। মসিনা হৌজিক্কী মতমদা করিবু তৌগনি। কেরলা ষ্টেটকী কুক অমদা লুপা ৩৫০০ পীরি। অদুগা কর্নাটকাদা হান্না লুপা ১০০০ পীরম্বা অদু লুপা ৩০০০ দা হেনগৎখ্রে।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবী ওল মণিপুর মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এম লোইতাংনা ফোঙদোকখিবদা, মতম অমদা কুক অমদা ওনেরেরিয়ম লুপা ১৫০০ পীরম্বা অদু কুক মশিং হেনগৎলকপদগী লুপা ১০০০ দা অমুক হন্থরগা পীখিবনি। ময়েক্কীদি অঙাং ২৫ লৈবদা কুক অমা লৈফম থোকই। হৌজিক কুকশিং রেগ্যুলরাইজ তৌবা অমা চঙই। কুকশিংগী তোলোপ হেনগৎনবা খোঙজং চঙশিনগদবনি। দিমান্দ হায়বা অসিদি তপ্না লাক্কদবনি। মিদ দে মিল স্কিমগীদমক বজেটতা মতিক চানা শেনফম হাপ্পু। ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিং ফাওবা স্কিম অসিনা কোনশিল্লু। স্কিম অসি ঠিকাদারশিং অমদি এন জি ওশিংদা শীন্নগনু। স্কিম অসি প্রাইভেটাইজ তৌবা য়ারোই। মিদ দে মিল ৱার্করশিং অসি রেগ্যুলর ৱার্কর অমা ওইনা মশক খঙগদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর ইমপ্লোয়ী ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ডা. এম রাজেন্দ্রো, সী আই টি য়ু মণিপুরগী শরত সলাম, কন্সত্রক্সন ৱার্কর ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তা অমদি ওল ইন্দিয়া ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ ফেদরেসনগী সেক্রেটরি এল পুরোজিৎনচিংবনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## ‘মীৎয়েং চঙবীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং লমখায়দগী চান্দেল বজার ফাওবগী লম্বী অসি য়াম্না ফত্তবনা এম এস টি বস, প্রাইভেট বস, মেজিক, ওটো পেসেঞ্জর পুবা অমদি ভেহিকল যৌনবদা খুদোংথিবা থোক্কদ্রা কিনরে। লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না আই বি এস আর দ্রাইভরস এন্দ মোটোরস ৱার্কর কোওপরেটিব সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট এন ধাকানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাবগাই লমখায়দগী শুগনু, সেরৌ, কারোংগী লম্বী অসিসু অসুক্কী মতিক ফৎত্রে। মেজিক, ওটোরিক্সো, বস তান্নদুনা থৌনরে। হায়রিবা লম্বী অসিসু পেসেঞ্জর ভেহিকল অমদি লন্নাই গাড়ী মচা, অচৌবা কয়া চেনবনা খুদোংথিবা থোকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়রি।

## আর কে সনাতোম্বা মেমোরিয়ল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৯ দেনিয়ল চবুংবমনা ফংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): ‘লময়ানবা মৈতৈ, লময়ানবা পাখং...’ হায়না পুন্নমকপু শুমহৎপা মণিপুরগী য়ুম্বিরেলশিংদা থৌনা হাপ্পা শৈহৌ ঈশৈ শক্তুনা ঙসি ‘আর কে সনাতোম্বা মেমোরিয়ল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৯’ হিজাগাঙ্গ কম্যুনিটি হোল, পেলেস কম্পাউন্দদা পাংথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জর্নেল ‘কংলা লানপুং’ ভোল্যুম ১৩ শুবা ইস্যুশু ফোংখি। পনবা য়াই আর কে সনাতোম্বা মেমোরিয়ল ট্রষ্টনা চহি খুদিংগী পীবা আর কে সনাতোম্বা মেমোরিয়ল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ লৈখিদ্রবা কংলা লানপুংগী এডিটর ওইরম্বা মীয়াম্না য়াম্লুং সনাতোম্বা হায়না খংনবা আর কে সনাতোম্বানা পামজরম্বা, চৎচরম্বা মীখা থাদবা, মতিং লৈবা অনৌবা মণিপুর অমা থীবগী খোঙচৎ, লৈঙাক কাঙলোন অমদা মনিং তম্না হিংজবা মণিপুর অমগী অনৌবা মণিপুর অমা থীবগী খোঙচৎ অদুগী শরুক অমা ওইনা মরৈকায়গী অমদি ইরমদম অসিগীদমক মশাগী পুন্সি কৎথোকখিবা নিপাথৌ মহাকপু নিংশিংবা অমদি মাগী থৌদাংবু শকখংবা ওইনা অহিং-নুংথিল থীদনা ৱানা হোৎনদুনা লৈবাক্কী থোদাং চাওনা পুরিবা পাউমীশিংবু থৌগৎপা ওইনা ২০০৪ দগী হৌরদুনা আর কে সনাতোম্বা মেমোরিয়ল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ঙসি ফাওবা চৎথরক্লিবা অসিগী মতুংইন্না হন্দক্কী চহি ২০১৯ গী ওইনা পোক্নফম পাউচেদা সব ইডিটর ওইনা পাউমী অমগী থোদাং লৌদুনা চীং-তম খাক্তনা, অহিং-নুংথিল নাইদনা মীয়ামগী থৌদাং তৌরিবা নহা ওইরিবা দেনিয়ল চবুংবমদা আর কে সনাতোম্বা মেমোরিয়ল জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৯ পীখি।

এৱার্দ পীবগী চিং লেন্নবা থৌরম অদুদা মণিপুর কলচরেল ইন্টিগ্রেসন কনফ্রেন্সকী প্রসিদেন্ট অরিবম ব্রজ কুমার শ্রমা, আর কে সনাতোম্বাগী অপোকপী নিংথেম ওংবী মঙ্গী শিজনা থৌরম অদুগী ফমবাক্কী লৈতেং ওইখি লোয়ননা ডা. আর কে নিমাই, ডা. লুক্রাম ইঙোচৌবা মৈতৈ, প্রোফেসর শ্যামলোকেন্দ্রজিৎ, মালেমমঙান, রাজকুমার পান্থোইরেল, ডা. রাজ কুমারকিশোর, নিংথৌজম লানচানা থৌরম অদুগা মরি লৈননা ৱাফম কয়া অমসু থমখি লোয়ননা লৈবাক অসিগী থৌগাই কয়াদা শরুক য়াবীরম্বা আর কে সনাতোম্বাবু নুংশিজবা মীওই কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## ওলানা শিন্দুনা ফ্রী মেদিকল কেম্প

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অয়াম্বনা ঙসিসু কন্না নারক্লবা য়ারত্তবা লুশিল্লক্লবা মতম খত্তদা হোস্পিটালদা চত্তুনা লায়েংবগী চৎনবী অমা ওইনা তৌনরি। মদুগী চৎনবী অদু হোংদোক্লবা অমদি লৈকায় অসিদা লৈরিবা নহা-অহল খুদিংমক নাদ য়েক্তনা চং-চং লাওবা মপাঙ্গল কনবা লমদম ওইন্নবগী পান্দমদা লময়ানবা হেল্‌ঠ ক্যোর অমসুং এমবুলেন্স সার্বিস, পোরোমপাৎ অমদি নেনসি ডাইগ্নোসটিক রিমসকা খুৎশম্নরগা ওরিয়েনটেল লেবেল্লর এসোসিয়সন (ওলা) ৱাংখৈ কোংবা, ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা শৌদোংপুং লম্পাক্তা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাংথোকখ্রে।

হায়রিবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অসিদা অঙাংগী চহী ০-১৬ অমদি অহলশিংগী ওইবা সুগর টেষ্ট, স্কিন, য়া, মলেরিয়া টেষ্ট, কেএফটী, এলএফটীনচিংবা লায়েংদুনা হিদাক লাংথক কয়া অমসু য়েন্থোকখি। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৩০০ মুক লায়েংখি হায়রি। ওলাগী জেনরেল সেক্রেটরি লৈশাংথেম রাজেশনা হায়, নোংজুথানা লাক্পসিদা নারকপা য়াবা অমদি লৈকায় অসিদা লৈরিবা অঙাং, নহা অমসুং অহল-লমন খুদিংমক নাদ-য়েক্তনা, তংদু লৈতানা, ঈংনা চিক্লা লৈনবগী পান্দমদা ঙসিগী ফ্রী মেদিকেল কেম্প অসি পাংথোকচবনি হায়রি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ৩০: কোংবদা লৈবা ইন্দিজিনস মণিপুর মার্সিএল আর্ট একাদেমীগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং অমদি একাদেমী অসিগী শিন দমলোয়শিং য়াওনা কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লাক্তুনা অঙাংশিংদা শরিৎ-শরাক অমদি থাঙ-তাগী দেমো উৎলল্লে। হোমগী অঙাংশিংবু মার্সিএল আর্ট লেম্না তম্বীগনি হায়বগী থাজবসু পীরম্বগীদমক য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমগী মেনেজিং কম্মিটিনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না হোম অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): মুতিয়া ৱার্করশিংগী খুৎশুমল হেনগৎত্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর মুতিয়া ৱার্কর য়ুনিয়ন, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট এল সোটিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ট্রান্সপোর্ট মুতিয়াশিংগী হৌজিক লৈরিবা রেট অসি হেনগৎত্রবদি জুলাই ১ দগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তরি।

## য়ানখিবা থবক লৌখৎপীয়ু : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্কী চরাংনবা ফম মুন্নবা থাদোক্লগা ৱারোইশিন পুরক্তুনা য়ানখিবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী এগ্রি লেবর অমসুং কেজুয়েল ৱার্কর য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম য়াইফবনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্বোই খোংনাংখোংদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা য়াইফবনা হায়খি, ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরিবা লেবরর অমসুং কেজুয়েল ৱার্করশিং অসি লৈঙাক্লা রেগ্যুলর তাহনবীদুনা তোলোপ ফংহনবীয়ু। কুমজা ২০১৩ গী জন্যুৱারীদা লৈঙাক্লা য়ানখিবগী মতুংইন্না রেগ্যুলর তাহনগনি হায়দুনা ঙাইরগা লাক্লিবনি। কুমজা ২০১৩ দগী ঙসি ফাওবা তোলোপ লৌদনা লাক্লিবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী দি দি ওশিংদা কেজুয়েল ৱার্কর লৈ, লৈতে হায়বা চেক তৌনবা খঙহল্লকখ্রবনি। রিপোর্ট থাগৎলবসু হঞ্জিন-হঞ্জিন থাদোক থাজিন তৌদুনা লৈরে। লেবরর, কেজুয়েল ৬৬ লৈবগী মনুংদা ২২ দি রেগ্যুলর তাখ্রবনি। লেমহৌরিবশিং ঙসি ফাওবা রেগ্যুলর তাদনা লৈরি। লৈখিদবসু য়াওরে। তোলোপ পীথোকপীবগা লোয়ননা মথৌ তৌবদা পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ‘ফ্রিদম ওফ স্পিচতা অথিংবা পীবনি’

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): এদিটরস গিল্ড মণিপুর (ঈ জি এম) গী মেম্বর অমদি ইম্ফাল টাইমসকী এদিটর রিঙ্কু খুমুকচমদা মহাক্কী পাউচেদা হাপ্পা আর্টিকল অমগা মরী লৈননা রাজ্য সভাগী এম পিগী নক্লবা মীওইনি হায়বা অনীনা লাক্তুনা চথরম্বা থৌওং ফ্রিদম ওফ স্পিচদা অথিংবা পীবনি হায়না লৌই হায়না ঈ জি এমগী সেক্রেটরি জেনরেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইম্ফাল টাইমসকী এদিটরগী য়ুমদা লাক্লম্বা মীওইশিং অদু কনা কনানো হায়বা মশক খঙদোক্লবা হোম দিপার্টমেন্টনা চপ চাবা থবক লৌখৎপীয়ু অমদি বুক তৌবীয়ু। ঈ জি এমনা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না রাজ্য সভাগী এম পিগা নক্লবা মীওইনি হায়বা অনী রিঙ্কু খুমুকচমগী ময়ুমদা লাক্লগা রাজ্য সভাগী এম পি ফন্দগী মতাংদা ফোঙবা পাউ অমগী মোটিভ হংখি। মীদিয়াদা কিহনবগী থৌওং য়ানিংদে। কনাগুম্বশিংনা পেন্দবা লৈবদগী ৱাকৎনিংলবসু চান্নবা চেনেলদা চৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঐচ এস এল সী এগজাম ২০১৯গী...

*লামায় ১গী মখা...* অমনা মহাক্লা ফংলিবা মার্কশিং অদু য়ানিংদে হায়রদুনা আর টি আইগী খুৎথাংদা থিগৎপদা পাউখুম চেশিংদা ইরল্লিবা অদুগা পীরল্লিবা মার্ককা চাওনা খেন্নরম্বগী মতাংদা ৱাথোক থোকখ্রবনি। মসিগীসু মথক্তা অতোপ্পা থৌদোক কয়া থোক্লকপদগী মণিপুর লৈঙাক্লা কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিনহনখিবনি। অদুবু আই এ এস ওফিসর অমনা লুচিংদুনা শেমখিবা কম্মিটি অদুনা চত্থখিবা ইনক্কারি রিপোর্টমীয়াম মমাংদা পুথোক্তনা লোৎশিন্দুনা থল্লিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, হন্দক চহীদসু মহৈরোয়শিংনা ফংলিবা মার্ক অদু খুল্লল্লিবা পাউখুমগা চানবা ৱাৎলি হায়দুনা রি-ইভাল্যুএসন তৌরুবদগী পোজিসন লৌরমদবা মহৈরোয় অমা পোজিসন লৌরমখি। পুন্নমক অসিদগী হন্দকসু মমাং চহীগুম্না ঐচ এস এল সী এগজামগী চে য়েংবা অমদি ফল্ল লাউথোকপদা অশোয়বা অরানবা থৌওং কয়া চথরে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে। মরম অদুনা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০১৯দা এগজাম মায়োক্লখিবা মহৈরোয় খূদিংমক্কী পাউখুম চে খূদিংমক মণিপুর লৈঙাক্লা থৌদাং লৌদুনা রি-ইভাল্যুএসন তৌহনগদবনি। রি-ইভাল্যুএসন তৌহনবদা হান্ননা হেদ এগজামিনর, এগজামিনর অমদি কো-ওর্দিনেটর ওইখিবা মীওই অমত্তা শরুক য়াহল্লোইদবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০১৮গী মার্ক পীবদা অরানবা লৈবদগী মণিপুর লৈঙাক্কী আই এ এস অমনা লুচিংবা কম্মিটিনা চত্থখিবা ইনক্কারি রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না মতীক চাবা থবক লৌখৎপীয়ু অমদি রিপোর্ট অদু মীয়াম খঙনা থম্বীয়ু। মসিদসু নৎতনা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০১৯গী পাউখুম চে খূদিংমকসু রি-ইভাল্যুএসন তৌবীয়ু। ৱাফম অসি মণিপুর লৈঙাক অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা থৌনা লৈনা অচুম্বগীদমক মহৈরোয়শিংগী খল্লগা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। করিগুম্বা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ফম কোন্দুনা লৈথোকফম থোক্তে। খূদক্তা মোরেল গ্রাউন্দদা রিজাইন তৌফম থোকই হায়না দেসাম অমদি লৈবাক মীয়াম্না লৌই।

অসিগুম্লবা অরানবা কয়া অসিনা বোসেমদা থম্লম্বা মীয়ামগী থাজবশিং নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লে। মখা তানা থিংবীনবা য়াওদনা অসিগুম্বা থৌওংশিং চথরক্লবদি নোংমদি শোয়দনা বোসেমদা থাজবা থম্লক্লরোই। বোসেম অসি হুরানফম অমদি ৱাচৎ-ৱানোম তৌদুনা মার্ক শেমদোক-শেমজিন তৌবা য়াবা মফম অমা ওইনা লৌনরক্লগনি। মরম অদুনা ফীভম অসিদগী কলহৌননবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি এদ্যুকেসনগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা মীচং শঙ্গ য়েংদনা অচুম্বা তৌবা অমদি অরানবশিং চুমথোকপনা ওইগনি। দেসামনা থমজরিবা ৱাফমশিং অসি মণিপুর লৈঙাক অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসনগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা অথুবা মতমগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্লনবা আপিল তৌজরি। ৱাফম অসি তরাইনা লৌদুনা নমশিন্দুনা থম্লনবা হোৎনরক্লবদি মহৈরোয় লূপ অসিগী মায়কৈদগী মহৈরোয়শিং অমদি মীয়ামগা লোয়ননা লৌখৎপা য়াবা থবক খূদিংমক লৌখৎকনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## রেখা মীহাৎ : পুলিসনা লৈখিদ্রবীগী...

*লামায় ১গী মখা...* কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর (আই ও) ওইরিবা সব-দিভিজনেল পুলিস ওফিসর (এস দি পি ও) য়াওনা পুলিস ষ্টেসন অসিগী ওফিসর-ইন-চার্জ (ও সী)গী টিম অদু লৈখিদ্রবীগী য়ুমদা অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদা থুংলখি। পুলিস পর্সনেলশিংগী টিম অদুদা য়ুনিফোর্ম শেৎলক্তবা (ফিজম শেৎপা) পর্সনেল খরসু য়াওই। মখোয়না সর্ছ তৌরবদুদা ঈশিং চিংথোক-চিংশিন তৌবদা শীজিন্নবা পাইপ খরসু কোনশিল্লগা পুরকখি হায়রি।

পুলিস টিম অদুনা মমায় মমাং ওল্লিবা লৈখিদ্রবীগী য়ুমগী মনিংলোমদা পাল্লিবা য়োৎকী গেট হাংদোক্তুনা চঙলগা ঙসিগী মখা তারকপা থিজিন-হুমজিল্লবগী থবকশিংদু চথরম্বনি। মখোয়না থবক অসি চত্থরিঙৈগীদা মমাংদা তৌখিবগুম্না গেট অদু মনুংলোমদগী লোনশিন্দুনা মীওই অমত্তা চঙহনখিদে। অদুবু মখোয়গী থবক অদু নুমীৎ য়ুংবা পুং ১২ তারমদাই ফাওবা চত্থরল্লগা হনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক থোকফমদগী পুলিসনা ফোরেন্সিক এক্সপর্টশিংগা লোয়ননা কল্লেক্সন তৌখিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ক্রাইম অসিদা শীজিন্নখিবা খূৎলায় (ক্রাইম ৱিপন)শিংগী মনুংদা অমা ওইগনি চিংনবা ঈ তৌরম্বা ধুপ থানবা য়োৎ (কোপ্পর নৎত্রগা ৱাশ)কী ষ্টেন্দ অমসু রিকোভর তৌখিবনি। ধুপ (ষ্টিক/মচৈ) য়ুংলগা থাননবা ষ্টেন্দ অসি ইমুং অসিগী গ্রাউন্দ ফ্লোরগী কৈরাক মখোঙ ময়াদগী পুলিসনা রিকোভর তৌবনি। ধুপ ষ্টেন্দ অসি লৈখিদ্রবীনা নুংতিগী ধুপ থাবদা শীজিন্নরম্বনি।

অদুম ওইনমক নুমীৎতুদা ইমুংদা থম্বা উপু (গোদ্রেজ)গী ছোদি থিবা খঙদ্রে হায়দুনা লৈরকপদগী থাসিগী ২ দা পুলিস অমসুং ইমুংগী মীওইশিংগী মমাংদা মী নেক্তুনা ফক্কাইহনখিবনি।

পুলিসনা ঙসিসু অমুক হন্না চথরল্লিবা মখোয়গী সর্ছ অসি ক্রাইম অসিদা শীজিন্নরম্বা য়াবা খূৎলায়শিংগী খোঙ্গুল লিবা অমসুং হৌজিক ফাওবদা ফংদ্রিবা ছো (ফক্কাইখ্রবা গোদ্রেজ) থিবা ওইরম্বসু য়াই হায়রি। মমাংদসু পুলিসনা ইমুংসিগী ঈশিংগী টেঙ্ক অমদগী ঈশিং চিংথোক্লগা থি-হুম্বগী থবকশিং চথরম্বসু লৈখ্রে হায়রি।

থৌদোক্তু থোকখিবগী পাউ তাবগা চঙশিনখিবশিংগী মনুংদা য়াওখিবা লৈখিদ্রবীগী পোকমিন্নবা মবুং থোকচোম প্রিয়োকুমারগী মচানুপা অহল (বোইবোই, ৪০)না ঙরাং পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্লা নাওরেম দিজমণিদা ‘মাম্মো পোৎ-চৈ অতৈদি ফংবা লৈব্রা হংলুবদা পোৎ-চৈদি অমত্তা মাঙদে, ছো নুং ঐঙোন্দা লোয়না লৈ’ হায়দুনা খুল্লকখি হায়রকখিবনি। ৱাফম অসিমক মহাক্লা পুলিসতা পীখিবা মহাক্কী ষ্টেটমেন্টতসু পনখি হায়রকখিবনি।

## উ-চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ ক্লব, আই এম সী ৱার্দ নম্বর ফোর উরিপোক্লা শীন্দুনা পুন্সি খুল লাঙ্গোলদা দেপ্যুটি সী এম, ৱাই জয়কুমার য়াওনা উ-চারা ৪০০ রোম থাখ্রে। লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্ট মনাক্তা লৈবা পুন্সি খুলদা উ-চারা থাখিবা অদুদা য়ুনাইটেদ ক্লব আই এম সী ৱার্দ নম্বর ফোরগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি। অয়ুক পুং ৬ তগী নুমীৎয়ুংবা ফাওবা উ-চারা থাখি।

অমরোমদা, হট্টা গোলাবটিগী অকোয়বদা অমদি মুস্লিম গার্লস হোষ্টেল মিনুথোং হট্টাদা ঙরাং মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন, মুস্লিম কাউন্সিল মণিপুর, হট্টা গোলাবটি ক্লবকী মেম্বরশিংগা পুন্না খুৎশম্নরগা উ-চারা ২০০ রোম থাখি হায়রি।

## অৱাং-নোংপোক্তা...

*লামায় ১গী মখা...* সিংহ অমদি মিনিষ্ট্রিগী অতৈ সিনিয়র ওফিসলশিংসু শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট খুদিংমক্কী চীফ নোদেল ওফিসর অমসুং নোদেল ওফিসরশিং খল্লে হায়না অৱাং নোংপোক্কী এম পিশিংদা ফোঙদোকখি। দোনর মিনিষ্ট্রিনা রোদ, সিভিল এভিএসন এন্দ টুরিজম, লাইবলিহুদ, পিগরি, মেদিসিনেল এন্দ এরোমেটিক প্লান্ট অমসুং হেল্‌থ এন্দ ন্যুট্রিসন্নচিংবা সেক্তরশিংগী মতাংদা দোনর মিনিষ্ট্রিনা ইন্টর-মিনিষ্ট্রিয়েল কম্মিটিশিং শেম্লে হায়রি।

## মালন্যুট্রিসন মায়োক্লনবগী স্কিমশিং...

*লামায় ১গী মখা...* ভিদিও কনফরেন্সকী খুৎথাংদা অতৈ স্কিম পুন্নমক য়েংশিন্নবগী থৌরাং অমসু লৌখৎলে। গ্লোবেল ন্যুট্রিসন রিপোর্ট ২০১৮ গী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা ফংদবগী খুদোংচাদবা চাওনা মায়োক্লরি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী অঙাং মিলিয়ন ৪৬.৬ মশাগী চহীগা চান্নদবা মওংদা চাওদম থিল্লে।

মালেমদা মালন্যুট্রিসনগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা মকোক ইথং থংনা লৈরি। নাইজেরিয়ানা অনীশুবা অমসুং পাকিস্তান্না অহুমশুবদা লৈরি হায়না গ্লোবেল ন্যুট্রিসন রিপোর্ট ২০১৮ না ফোঙদোকখি।

## স্পিকরনা হায়খিবা...

*লামায় ১গী মখা...* কুমজা ২০১৮ গী জুন ২৩ দা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীদা মণিপুর পিপলস প্রোটেক্সন বিল পাস তৌরবা মতুংদা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা খুৎয়েক পীদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অয়াবা লৌনবা থাখ্রবা চহী অমগী মতুংদা অসিগুম্বা ৱাফম অমা থোরকপসি লাইবক থীবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লেম্না লায়েংবগী...

*লামায় ১গী মখা...* অমদি রিমসকী জেনরেল মেদিসিন, গাইনিকোলোজি, দেন্টেল, আই, ঈ এন টি, ওর্থোপেদিক অমদি পেদিয়াট্রিক কী দোক্তর কয়ানা শরুক য়াদুনা অনাবা কয়াবু লায়েংখি। মেদিকেল কেম্প অসি মপূং ফানা পাঙথোকহনবদা মণিপুরগী শক্লাইরবা ফিল্ম এক্টর সোমা, খাবা, রোশন, মুকাবালা, সদানন্দ, রেদিমেনন, ফোক সিঙ্গর মঙ্কা, মমি থৱানগী চ্যেরমেন রোমি মৈতৈ অমদি ফাউন্দেসন অসিগী এদভাইজর সিনাম প্রিতমসু শরুক য়াখি। কেম্প অসিদা পূন্না মীওই ৩৫০ রোম লায়েংখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা অনাবশিংদা হীদাক লাংথকসু লেম্না য়েন্থোকখি।

## এক্সিদেন্টা ১ শিরে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): লল্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নোংগ্রেন মমাং লৈকাইদা লম্বীগী মনীং থংবা নাকলদা দুকান ফম্বা অমদা ট্রক (এম এন ০৫/২০৫৫) অমা য়ুমগী বেরেন্দাদা থোমজিনবদগী গাড়ি অদুদা তোংবা নুপা অমা শোক্তুনা জেনিমস হোস্পিতালদা লাইকন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রে। থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ৫.১০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিংনা কোন্সম ইনাওচা (১৮) অপোকপা কাকা কৌই, মহাক মোইরাং পুরেল মমাং লৈকাইদা লৈবনি হায়রি।

## GAS NEWS

**CANCHI INDANE SERVICE**
**Booking Uptodate**
**14 Kg Stk : 306**
**5 & 19 Kg Stk Available**
Timing : 08.00am to 10.00am
(First Come First Serve)
**IMPHAL LPG SERVICE**
**Booking Uptodate**
**14.2 Kg. Stk : 286**
**5&19kg Stk Available**
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.30am Onwards
(First Come First Serve)
No Booking Required
Avail Online Booking,
Payment & Home Delivery
**K & K INDANE SERVICE**
**Booking Uptodate**
**Stk : 306**
Timing : 07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)
**KHORIPHABA (NAMBOL)**
Booking Upto:25/06/2019
Valid From:24/06/2019
Timing: 07.00am to 09.00am
**LEIBAKLEI GAS KAKCHING**
Booking Upto:30/06/2019
Valid From: 12/06/2019
**Stk : 306**
Timing: 07.30am to 10.30am
**LAMBODARA INDANE**
**Booking Uptodate**
Timing: 08.00am to 10.30am
**M.M. GAS SERVICE**
Booking Upto: 25/06/2019
Valid From: 15/06/2019
**Stk : 540**
**5 & 19 Kg Stk Available**
Timing:07.00am to 10.30am
Home Delivery Form Available
**MAHALAKSMI INDANE**
**Booking Uptodate**
**Stk : 306**
Timing:06.30am to 10.30am
(First Come First Serve)
**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking Uptodate**
**Stk : 252; 19 Kg Stk : 52**
Timing:07.30am to 09.30am
(First Come First Serve)
**MISAO GAS SERVICE**
**Booking Uptodate**
**14.2 Stk : 306**
Timing:07.00am to 11.00am
(First Come First Serve)
**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto:15/06/2019
Valid From:03/06/2019
**Stk : 306**
Timing:07.00am to 10.00am
**PATSOI INDANE SERVICE**
**Sl. No. Upto - 135**
Booking Upto:16/05/2019
Valid From:10/05/2019
**Stk : 306 (DBTL Only)**
Timing:08.00am to 10.00am

## দিষ্টর্বেন্স ফ্রী...

*লামায় ১গী মখা...* আর টি ঈগী মখাদা পীরিবা খুদোংচাবশিং মপুং ফানা য়ৌহন্দবা অসিসু মহৈরোয়শিংদা পীবা দিষ্টর্বেন্স মখল অমনি।

য়ৈখাই-থিনগাইবা লেপত্রিবমখৈ মণিপুরদা হ্যুমেন রিছোর্স মপুং ফানা চাউখৎপা ঙল্লোই। চৎলিবা চহী অসিদা অমুক্কা হেন্না ফিরেপ চেৎশিনহনবগা লোয়ননা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অসি শক তাক্কনি। মহৈরোয়শিংদা পীবা য়ৈখাই-থিনগাইবশিং য়ানিংদে হায়বগী ৱাখল্লোনদা এৱ্যেরনেস কেম্পেন চত্থবা হৌখ্রবনি। ঙসি শেল্লিবা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অসি মীয়ামদা শক তাকপগা লোয়ননা স্লোগান রিলিজ তৌবনি। লিফলেট য়েন্থোকপা অমদি এৱ্যেরনেস পীবগী থবক মথং-মথং পাঙথোক্কনি। মখল অমত্তগী অয়েৎ-অপন, য়ৈখাই-থিনগাইবশিং মহৈ লোয়শঙদা পীবীগনু। তংদু-লৈতানা মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু হায়বা পাউজেল পুবা দেমোন্সত্রেসনশিং তৌগনি।

জুলাই ৫ দা মীয়াম অমদি মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা দিষ্টর্বেন্স ফ্রী এদ্যুকেসনল জোন দিমান্দ দে হায়না টি আর আইদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু। কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ফোর দিষ্টর্বেন্স ফ্রী এদ্যুকেসনল জোনদা য়াওরিবা মীওইশিংদি, চ্যেরমেনদা ওল মণিপুর কোলেজ টিচর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম লোকেন্দ্রো, ভাইস চ্যেরমেনদা সী বি এস ঈ এফিলিএটেদ স্কুল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট প্রেমাবতি অমদি কন্ভিনরদা দেসামগী প্রসিদেন্ট সলাম অকাশনি হায়রি।

## কাং-খোং চাইরবা পুলিস কন্সটেবলশিংগী সিনিয়রিটি...

*লামায় ১গী মখা...* কুমজাসিগী জন্যুৱারীদা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন (এম আই সী)দা এপ্লিকান্টনা ৱাকৎখি। ৱাকৎ অসিগী মতুংইন্না কম্মিসন অসিনা আপিল কেস নম্বর-৪ ওফ ২০১৯ লৌখৎখি। কেস অসি হোম দিপার্টমেন্টকী এস পি আই ওসু ওইরিবা স্পেসল সেক্রেটরি/সেক্রেটরি অমসুং অতোপ্পা ওফিসল খরবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইহল্লগা লৌখৎপনি। কম্মিসননা কেস অসি লৌখৎপগা জন্যুৱারী ২১, ২০১৯দা মসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি। নুমীৎসিমক্তদা এপ্লিকান্ট কেশোরজিৎকী মায়কৈদগী মহাক্লা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ওক্টোবর ২৯, ২০১৮দা ইহান হান্না থাখিবা আর টি আই এপ্লিকেসন অদুগী অনীশুবা (সেকেন্দ) আপিল অমসু ফাইল তৌখি।

এপ্লিকান্ট অসিনা পুলিস কন্সটেবলশিং অসিগী সর্ভিসকা মরী লৈনবা মরু ওইবা দোক্যুমেন্টশিং অসি ফংননবা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন ফাওবা য়ৌনা ৱাকৎলক্লবসু পুলিস দিপার্টমেন্টনা আর টি আই এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন-২৪গী মরুমদা দিপার্টমেন্ট অসি এগজেম্পটেদ ওর্গনাইজেসননি হায়না পাউখুল্লক্তুনা দোক্যুমেন্টশিং অসি পীদনবা হোৎনরকখি।

অদুবু মমৈথংদা ষ্টেট চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরনা হায়রিবা ইনফোর্মেসনশিং অসি চয়োল ৩গী মনুংদা পীখিগদবনি নৎত্রগদি আর টি আই এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ২০(১)গী মখাদা পেনাল্টি ইম্পোজ তৌনবা থবক লৌখৎলগনি হায়না ওর্দর থোক্তুনা খঙহনখি। কম্মিসননা ওর্দর অসি থোকখিবগা ইরোয়ননা হোম (পুলিস) দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা ওফিসলশিং থেংখাঙ কয়ারক্তা দোক্যুমেন্টশিং অসি পীখিনবগীদমক কম্মিসনদা কৌখৎলবসু ঙসি ফাওবদা কুমজা ২০০৯দা পাঙথোকখিবা দি পি সীদগী খনখ্রবা কন্সটেবল (মেল/সিভিল) কেন্দিদেটশিংনা ফংনখিবা এগ্রিগেট মার্কশিংগা কোন্নবা মখোয়গী মেরিট লিষ্ট পীদনা লৈরক্লি। লোয়ননা ফেব্রুৱারী ১৮, ১৯৯২ দা পি ঐচ ক্যুনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অদুসু পীথোরকপা ঙমদনা লৈরে হায়রি।

মতাংসিদা ৱাথোক ওইরক্লিবদি মমাংগী কুমজা ২০১৮গী ওগষ্ট ২৪দা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না লোয়শঙ অসিগী ক্লাস থ্রীগী দি পি সী (কন্সটেবলদগী হেদ কন্সটেবলদা প্রমোসন পীনবগী) কম্মিটি অমা কন্সটিট্যুট তৌখি। মসিগী চ্যেরপর্সননা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি) অমনা ওইরগা মেম্বরশিংনা পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট অমগা গভর্ণমেন্ট নোমিনী অমগনা ওইবনি। কম্মিটি অসিনা কন্সটেবল (মেল/সিভিল) দগী হেদ কন্সটেবল (মেল/সিভিল) দা প্রমোসন পীনবগী থবকশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি। অদুবু প্রমোসনগী প্রোসিদিং লৌখৎপা হৌরকপসিদা চোংথোরক্লিবা ৱাহংদি মপূং ওইনা প্রমোসন অসিগী য়ূম্ফম ওইগদৌরিবা ২০০৯গী সেলেক্টেদ কন্সটেবলশিং অসিগী মখোয়না ফংখিবা মার্কশিংগা কোন্নবা সিনিয়রিটি লিষ্ট কদায়দা চৎখ্রবগে? মখোয়না ফংনখিবা মার্কশিং মেন্টেন (রেকোর্দ) তৌদনা শেঞ্জা-থুমজা তৌদুনা পংহাপ্তা হাপচিনখিব্রা? দি পি সী প্রোসিদিংদা শুনা য়াওফম থোকপসি য়াওরে, লৈ হায়রগা আর টি আইগী খূৎথাংদা পীনবা তানবদা হৌজিক ফাওবদা পীবা ঙমদবা করিগীনো হায়বসিনি। লোয়ননা মার্ক বেসিসতা নৎতনা মথোং-মরম খঙদনা শেমজিনখ্রবা কুমজা ২০০৯গী কন্সটেবলশিংগী সিনিয়রিটি লিষ্ট অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা প্রমোসন পীননবা হোৎনরক্লগদি থৌওং অসি দিপার্টমেন্ট অসিগী অচুম্বা খোঙথাং ওইগদৌরিব্রা হায়বসিনি।

মরমদি হৌখিবা কুমজা ২০০৯গী রিক্রুটমেন্ট অদুগী লামায় ৭৫ পানবা মেরিট বেসিসতা য়ূম্ফম ওইবনি হায়বা সেলেক্সন লিষ্ট অদুদা সেরিএল নম্বর-১ দগী ৬ ফাওবা খক নৎতনা সেরিএল নম্বর ৭ তগীদি খল্লবা কেন্দিদেটশিংগী মমিং অলফাবেটিকেল লিষ্টতা খঞ্জিল্লল্লে। অলফাবেটিকেল লিষ্টতা খঞ্জিনবসি সেরিএল নম্বর-৩৮২ ফাওবা চত্থরল্লগা মরক-মরক্তা খরা-খরা কান্নহল্লগা অয়াম্বা শরুক্তা অলফাবেটিকেল লিষ্টতা খনবগী থৌওংশিং পাক-শন্না চত্থরম্বা থেংনরে। মসিদা নৎতনা হৌখিবা চহী ২০১৫গী ওক্টোবর ৭ তা ফোঙখিবা পুলিস কন্সটেবলশিং অসিগী ফাইনেল সিনিয়রিটি লিষ্টতসু কেন্দিদেট অয়াম্বগী মমিংশিং অলফাবেটিকেল লিষ্টতা পংহাপ্তা হাপচিল্লম্বা থেংনরে।

## মশানা মশাবু থবক পীজরিবশিং লৈঙাক্লা মীৎয়েং...

*লামায় ১গী মখা...* সাপোন ওইনা শীজিন্নবা য়াবা অমদি খুৎশা হাম্বদা য়াম্না নুংঙাইবা মখলগী সাপোননচিংবসু য়াওরি। হায়রিবা সাপোনশিং অদুদি, নোংলৈশংগী সাপোন, হৈরিবোবকী সাপোন, এলোবেরাগী সাপোন, তর্মরিক্কী সাপোন, থবীগী সাপোন, হৈবী অমদি ওয় হিদাক্কী সাপোন মখলসু শাদুনা পুথোক্লি। পূন্নমক অসিগী মনুংদা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না শীজিন্নরিবনা নোংলৈশং, থবী, হৈরিবোব, এলোবেরা অমদি তর্মরিকনচিংবগী সাপোননি। সাপোন শাবগী মচলশিং অসি মণিপুরদা লোইনা ফংই। অদুবু বন্দ, ব্লোকেদ লৈবা মতমদদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লে। হৌজিক সাপোন শাবদা থা খূদিংগী লুপা লিশিং ১০ দগীনা ২০ ফাওবা চংচৎতা ইনকম ওইনা তানবা ঙম্মী।

মহাক্কী ৱার্কশোপ অসিদা ইমুংগী মীওই য়াওনা হৌজিক মীওই মঙারোম থবক শুরি। ইম্ফালগী মনুংদা লৈবা মশক নাইবা হোটেল খরনসু মহাক্কী মঙাল সোপ অসি শীজিন্নবা য়াম্না নুংঙাই হায়দুনা দিমান্দ তৌরকপদগী লেপ্তুনা সপ্লায় তৌরি। মণিপুরদা লম কোয়রকপা মীরৈবাক মচাশিংনা মণিপুরগী মঙাল সোপ শাফম খঙনিংই হায়দুনা জিনাগী য়ুমদা তোয়না লাকই হায়রি।

য়ু কে, সাউথ কোরিয়া, পোলেন্দ, জর্মনি, ওষ্ট্রেলিয়া, শ্রীলঙ্কা, জপান, নোরৱে অমদি মন্দলেনচিংবদগী মীওই কয়া লাক্লল্লে। মহাক্কী ৱার্কশোপ অসি খরা নেম্বা অমদি পীকপা মরম্না কালেন থাগী মতমদা থবক শুবদা য়াম্না ৱাই। অদুবু নিংথম থাগী মতমদদি য়াম্না নুংঙাই। থবক শুফম ৱার্কশোপ অমদি চাউনা শানিংবনি। লৈরিবা ফীভম অসিদা শেল-থুমগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি। মহাক ইম্ফালদা পাঙথোকপা সঙাই ফেষ্টিবেল, ইম্ফাল এক্সপো, খাদি এক্সপোনচিংবদা শরুক য়ারুরে। মসিদা নত্তনা কুমজা ২০০৭ তসু অহমেদবাদতা পাঙথোকপা মেলাদা শরুক য়ারুরে। মদুদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০, সাইটেসন অমসুং সাপোন শাবদা শীজিন্নবা ষ্টোব, সেরা ফালা, রেফ্রিজরেটর মচা অমা ফংখি।

কুমজা ২০১১ দনা দিল্লিদা ইন্দিয়াগী নুপী প্রসিদেন্ট প্রতিভা পটেলনা শক খঙবীদুনা মনা অমসু পীরকখ্রে। মদুগী চৎথোক-চৎশিনগী প্লেন অতোংমল পুম্বা মখোয়না লোইনা পীরকখি। কুমজা ২০১৩ দনা গুজরাততা পাঙথোকপা ইনোভেসনগী মেলাদা শরুক য়াখ্রে। মসিদা নত্তনা মেঘালয়া, গুৱাহাতি, ঝোরহাটনচিংবদা ইনোভেসনগী মেলা কয়াদা শরুক য়ারুরে। নিংঙোম্থম নিংঙোল খুমুজম ওংবী জিনা হৌজিক মশাগী চহী ৬৬ লোম শুরে। সগোলবন্দ তেরা বজারদগী লৈখিদ্রবা নিংঙোম্থম গোপাল অমদি নিংঙোম্থম ওংবী তোম্বীগী মচানুপা অনী, নুপী অহুমগী মনুংদা খ্বাইদগী অহলনি।

মহাক কুমজা ১৯৭৫/৭৬ তা খুরাই থোইদিংজম লৈকায়দা লৈবা খুমুজম ইঙোগা লুহোংদুনা মচানুপা অমা, মচানুপী অহুম লৈরে। লাইবক থীবদি কুমজা ২০১৪ দা মপুরোইবা লৈখিদ্রে। মচানুপী অহলসু অরুবা লায়না অমনা লৈখিদ্রে হায়রি। লৈশারিঙৈদগী হৌনা মহাক খুৎনা ফি, ফনেক, বেদ কোভর অমদি স্বেটরনচিংবা লোনবা হৈ হায়রি।

অকুপ্পা ময়েক লোনবদা মীৎ নুংঙাইরক্তবদগী অকোনবদা সপোন শাবগী থবক অসিদা অমুক চঙশিল্লকপনি। মহাক্লা য়ু বি আই বেঙ্কতগী লুপা লাখ ২ লোন ওইনা লৌরগা সাপোন শাবগী থবক অসি চত্থরকপনি। ফেষ্টিভেল মতমদনা অথেংবা ফাওবা সাপোন শাই। অদুগা ফেষ্টিভেল নত্তবা মতমদনা চাংচৎদা অদুম শাই। কৈথেল এক্সপ্রেস হায়না খঙনবা মীওই মঙাগী টিম অমনা মাগী সাপোন অসি পুরগা মণিপুরগী কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা পুরগা য়োল্লি।

জিনানা মখা তানা ফোঙদো-রকপদা, মহাক্কী মঙাল সোপ অসি খরা হেন্না চাউথোক্তুনা পোথোক য়াম্না পুথোকপা পাম্মী। লৈরিবা ৱার্কশোপ অসি খরা পীকপা অমদি নেম্বনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। শো রুম অমা ফাওবা থম্বা ঙমদ্রি। মণিপুর লৈঙাক্লা সবসিদি য়াওবা লোন অমত্তা পীবীরবদি শুফম নোম্ফম খঙদনা লৈরিবা মরুওইনা লমদমসিগী নুপীশিং পুল্লগা থবক শুহন্নিংবগী অপাম্বা থল্লকখি।

নোংমদা তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া মপান্দগী মণিপুরদা পুশিল্লক্লি। ইরমদম অসিদসু শিনহৈবী শিনহৈবা কয়ানা মানা মানা হৈজবা পোৎলম কয়া পুথোক্লি। মশানা মশাবু থবক পীজরিবশিংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীরবদি পোথোক হেন্না পুথোক্তুনা শেন মীৎলোনসু চাউখৎহনবা ঙমগনি হায়না জিনা খুমুজমনা অরোইবদা ফোঙদোরকখি।